ꯍꯨꯏꯌꯦꯟ ꯂꯥꯟꯄꯥꯎ
ꯏꯔꯥꯏ, ꯐꯦꯕ꯭ꯔꯨꯋꯥꯔꯤ ꯲꯴, ꯲꯰꯱꯷, ꯏꯝꯐꯥꯜ
꯴꯰ ꯁꯨꯕꯥ ꯆꯍꯤ, ꯳꯱꯸ ꯁꯨꯕꯥ ꯃꯁꯤꯡ

হুইয়েন লানপাউ
ইরাই, ফেব্রুৱারী ২৪, ২০১৭, ইম্ফাল
৪০ শুবা চহী, ৩১৮ শুবা মশীং

# আই-এমগী ফ্রেমৱার্ক এগ্রীমেন্ট

## *মীখল মতুংদসু মীয়ামগী খোঙজং হনফম থোক্তে*

ইন্দিয়াগী অৱাং নোংপোক ষ্টেটশিংদা মপাঙ্গল কন্না লৈরিবা লালহৌলূপশিংগী মনুংদা এন এস সী এন (আই-এম)সু অমনি। লালহৌলূপ অসিনা ম্যান্মার, অরুনাচল প্রদেশ, আসাম, মণিপুর অমসুং নাগালেন্দগী মফম কয়ামরুমদা ওপরেট তৌই। খ্বাইদগী লীরবা লালহৌলূপ ওইবগী মথক্তা নোর্থ ইষ্টতা লৈরিবা লালহৌবশিংগা মতেঙ পাঙনদুনা ইন্দিয়াগী মায়োক্তা লাল হৌনবগী ৱাখল্লোন পীবা ওর্গনাইজেসন অমগী মমিং পল্লকপদা আই-এম য়াওদবা য়ারোই। নাগালেন্দদা বেজ তৌবা লালহৌলূপ অসিগী থবক থৌরম কয়াদা মীচম কয়ামরুম শিখ্রে। লালহৌলূপ অসি লাকশিন্নবা ইন্দিয়ন আর্মিনা চথখিবা কোম্বিং ওপরেসন্দা মীচম কয়া শিখিবদা নত্তনা নুপী কয়াগী ঈকায় খুম্নবসু মাঙহনবীখিবগী থৌদোকশিং লৈখ্রে। লালহৌলূপ অসি নীংথিনা ৱারী শানরগা মহৌশাগী ঈচেলদা পুরকপা ঙল্লবদি ইন্দিয়াদা লৈরম্বা কোক চীকপা থৌদোক কয়ামরুম হন্থহনবা ঙমগনি হায়বগী ৱাখল্লোন্দা ইন্দিয়া গভর্ণমেন্টনা আই-এমগা শান্তিগী ৱারী শাননবা থৌরাং তৌরকপগী মহয়না কায়নথংদা আই-এমগা সিজফায়র এগ্রীমেন্ট সহি তৌনখি। কুমজা ২০০১গী জুন থাদা ইন্দিয়া গভর্ণমেন্টকা য়ানবা অমগী মখাদা সিজফায়র এগ্রীমেন্ট অসি মণিপুর য়াওনা তোঙান তোঙানবা ষ্টেটশিংদসু কোনশিল্লকখি। ৱাহৌ অদুনা মরম ওইদুনা চহী অসিমক্কী জুন ১৮দা মীয়ামগী অচৌবা ঈহৌ অমা মণিপুরদা হৌরকখি। ঈহৌ অদুদা মীওই ১৮গী পূন্সি কৎখিবা মতুংদগীদি সিজফায়র চৎনহনবদা ঙমখৈ লৈতবা হায়বা ৱাফম অদু লৌথোকখি। সিজফায়র তৌন-তৌনা অসুম্না তাঙ্কক কয়াদা খুদোংচাদবা মায়োক্লুখ্রবসু মতম শাংলক্লবা আই-এমগী খুৎলায় পায়বগী ঈহৌ অসি লোইশিনহন্নবা ইন্দিয়া গভর্ণমেন্টনা য়াম্না কন্না হোৎনদুনা লাকখি। মসিনা মরম ওইরগা কুমজা ২০১৫ গী ওগষ্ট ৩ দা আই-এমগা ৱারী শাননবা ইন্দিয়া গভর্ণমেন্টনা হাপখিবা ইন্টরলোক্যুটর আর এন রবিগা এন এস সী এন (আই-এম) গী চ্যেরমেন ইসাক চিসি সু অমসুং লূপ অসিগী জেনরেল সেক্রেটরি থুইঙালেং মুইভাগা ফ্রেমৱার্ক এগ্রীমেন্ট খুৎয়েক পীনখি। খুৎয়েক পীনখিবদু লৈবাক অসিগী প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিগী ময়ুমদা মশামক য়াওনা পাঙথোকপা থৌরম অমদনি।

ফ্রেমৱার্ক এগ্রীমেন্ট খুৎয়েক পীনখিবসি চহী অমা মখায়রোম হৌখ্রে। শাংলবা মতমসিদা ফ্রেমৱার্ক এগ্রীমেন্ট অদুদা করি করি য়াওবগে হায়বগী মতাংদা চপ চানা খোঙজং চঙশিনবা লৈখিদে। অদুমকপু খুৎয়েক পীনখিবদুদগী হৌরগা সিভিল সোসাইটি ওর্গনাইজেসনশিংনা এগ্রীমেন্ট অদুদা য়াওরিবা ৱারোলশিং অদু খঙহনগদবনি হায়না দিমান্দ তৌবদি লৈখি। মতমদুদা বি জে পিগী লুচিংবশিংনা ফ্রেমৱার্ক এগ্রিমেন্ট অদুদা করিসু য়াওদে, চুম্নতগী নাগাগী লুচিংবা অমগী হকচাংগী ফীভম ফৎলক্তবনা মরম ওইরদুনা মহাক হিংলিঙৈদা ফ্রেমৱার্ক এগ্রীমেন্টকী খুৎয়েক পীহন্নিংই হায়বদু থবক্তা ওন্থোকপনি হায়না ফোঙদোক্লরকখি। তশেংনমক্কীদি ফ্রেমৱার্ক এগ্রীমেন্ট হায়বসি আই-এমগী খুৎলায় পায়বা লালহৌ অসি লোইশিনহন্নবগী মতাংদা য়ানগদবা ৱারোলশিংগী মচং ওইবা শরুক অদু তেন্তক-তেন্তক্না থম্বনি হায়না লৌদবা য়ারোই। বি জে পিগী লুচিংবশিংনা এগ্রীমেন্ট অদুদা করিসু ইদে হায়রম্বদগী হৌজিক্লা মণিপুর পন্দে অমুক হায়রকপা অমসুং মণিপুরগী অপুনবগী শক্তম কৈদৌঙৈদসু কায়হল্লোয় হায়বনচিংবা ৱাফমশিং মীখল ময়াসিদা পুশিল্লকই। মরকসিদা মণিপুরগী সিভিল সোসাইটি ওর্গনাইজেসন খরনা অমসুং মহৈরোয় লূপ অমনা ফ্রেমৱার্ক এগ্রীমেন্ট অদুদা য়াওরিবা ৱারোলশিং অদু খঙহল্লু হায়বা খোঙজং কন্না চঙশিল্লক্লি। নাকল অনীমক্কী ৱাফম অসি মীখল ময়াদা ওইনা থোক্লরে। অদুমকপু ইন্দিয়া গভর্ণমেন্ট অমদি এন এস সী এন (আই-এম) গগী মরক্তা খুৎয়েক পীনখিবা ফ্রেমৱার্ক এগ্রীমেন্ট অদুদা করি য়াওবগে হায়বা পুথোরকউ, মীয়াম খঙমিন্নসি হায়বা ৱাফমসিমক্তি মরম চাবা দিমান্দ ওইরবসু ইন্দিয়া লৈঙাক্লা নৎত্রগা এন এস সী এন (আই-এম) না পুথোরক্কনি হায়বগী থাজবা লৈতে। পুথোরক্তে হায়দুনা মণিপুরগী ঙমখৈ কায়রগনি নৎত্রগা কায়রোই হায়না ঐখোয় পুম্নমক্না মরৈ য়েৎনবসু চুল্লোই। মতাং অসিদা পঞ্জনিংবা ৱাফমদি নাকল অনীগী মরক্তা তৌনখিবা এগ্রিমেন্ট অদু হৌজিক ফাওবগী ওইনদি ওফিসল লেভেলদা তৌনবনি, পোলিটিকেলগী ওইবদি তপ্না লাকখিগনি। পোলিটিকেলগী ওইবা ৱারেপ অমা লৌরমদাইদা ইস্যু অসি মণিপুরগা মরী লৈনবা ওইরগদি ইন্দিয়ন কন্সটিট্যুসনগী আর্টিকল ৩ গীবু ওইরবসু, অতোপ্পবু ওইরবসু মণিপুর লৈঙাক য়াওদনা ইন্দিয়ানা মরোমদোম হেক্তমক ৱারেপ লৌরক্কনি হায়বগী থাজবদি লৈতে। মরম অদুনা হন্দক্কী মীখল ময়াদা চথুরিবা মীয়ামগী খোঙজং অসি মীখল মতুংদসু মখা তানা চথখিবা মথৌ তাগনি। তৌবতদি কাঙলুপ অমগী পূক্নিং শোক্লোইদবা মওংদা প্রোটেষ্ট তৌবনা পুম্নমক্কী অফবা ওইগনি।

### ••• এডিটরদা থারকপা চিঠি •••

## মরোল থোকপা লাইদা ৱাফম খরদং

*ইকায়খুম্নজরিবা এডিটর,*

**হৌখিবা** ফেব্রুৱারী ১৮, ২০১৭, থাংজ নুমিৎকী পাউচে অসিগী লমায় ৭ কী মরোল থোকপা লাইদা য়ু এন সী থাবা শামু অমগী তুংদা পেনা খোংহনখিবগী মতাংদা ৱাফম খরদং থমজরি। ঐখোয় পূম্নমক্লা খঙলে মদুদি পেনা হায়বসি লাই হাক্তক্তগী হৌনা লাইগী থৌরমশিংদতা নত্তনা ঐখোয় মীওইবগা তৎনা-থানবা য়াদনা লাকপনা হৌজিকসু মাগী মফম অমা চাউনা কন্দুনা লৈরি। থিজিল্লোই কয়ানসু পেনাগী মরমদা খরা কুপথনা খঙনবা থিজিন্নরি, পেনাদা মথৱায় লুপচরি। মতমগা ইরোইননা কলচরেল য়ুনিভর্সিটি লাকপসিনা অমুক্কসু হেন্না খুদোংচাবা ফংলগনি খন্নরি। লমদমসিগী নাৎনা মালেমদা কংলৈপাক মণিপুরবু মশক তাক্লিবা অসিদা পেনাগীসু চাউনা থৌদাং য়াওরি। মীতৈ নাৎকী শরুক অমা ওইরিবা লাই হরাউববু য়ুনেসকোনা শক খঙবীনবা হোৎনরিঙৈ চৈরকসিদা অমদি য়ু এন সীবু আইন্না য়াদবা লূপনি হায়না লৈঙাক্লা লাউথোক্লবসু হোৎনরিঙৈদা য়ু এন সী থাবা শামু অমগী মতুংদা পেনা খোংহনবা হায়বসি ফজবা ৱাৎপরা খল্লি। মসিগী মহুৎতা লাইরেম্বা লাইরেম্বীগী মশক ওইরিবা পেনাবু অমদি মীতৈ নাৎকী অচৌবা মশক ওইরিবা লাই হরাউববুসু হেন্না ফজনবা অমদি চাওখৎনবা ঐখোয় পূন্না হোৎনমিন্নবনা অচুম্বা ওইগনি।

*অদোমগী - ইরোম মোবি, ইম্ফাল*

### হুইয়েন লানপাউ লিটরেরি ক্যুইজ-৪৪

১। "হে নিংথি পুকতপ্পী/নঙগী ঈচেল অরংবা/পুখো ঈসে অঙাঙবা/সমুদ্র ঈমায় থুংনবা।" কবি কনানা হায়বনো?

২। "অঙাঙবা উচেক মচাশিংনা/থিরি মাঙখ্রবা ময়ূম্বু/অশুকপদা অমম্বদা চীংনুং মান্নুংদা।" মসিনা কবি কনানা হায়বা ৱাহৈশিংনো?

৩। 'খোঞ্জেল থোক্তবা ৱারী' শৈরেং লাইরিক অসিগী অইবীদু কনানো?

৪। 'মণিপুরদা ঐগী চহী অহুম' মিসেস গ্রীমউদকী লাইরিক অসি মণিপুরীদা হন্দোকপদু কনাননো?

৫। 'বুদ্ধনা তূল্লিবা লমদুদা' লমকোয় ৱারী অসি কনানা ইবনো?

ৱাহংশিং অসিগী পাউখুম ফেব্রুৱারী ২৪, ইরাই নুমিৎকী অয়ূক পুং ১১ ফাওবগী মনুংদা পাউচে অসিগী ওফিসতা নৎত্রগা ঈ-মেল hueiyenliteraryquiz@gmail.com সিদা মেল ওইনা থাবীরকপা য়াগনি। পাউখুম পীবিরকপা/থাবীরকপা মতমদা মিং, লৈফম, মহৈগী থাক অমসুং কন্টেক্ট নম্বর ময়েক শেংনা ইবিরকউ।

ৱাহং খুদিংমক্কী পাউখুম চুম্না নৎত্রগা মশীং য়াম্না চুম্না পীবিরকপা মীওইশিং অদুদগী দ্রো ওৎচরগা লাইবক ফবা মীশক অমা খনজগনি। লোয়ননা খল্লবা মীশক অদুদা খুদোলপোৎ পীজগনি।

# এসেমব্লি মীখলগী মরুওইবা এজেন্দা অনী খঙহৌদনা থোক্লকপা

**অওনবা মালেম**

**সৌবাম তোম্বা লুৱাং**

*এসেমব্লি* মীখলসিগী মরুওইবা এজেন্দা করিনো ভোট খোন্বগী? চাওখৎ থৌরাংগী ৱাফমলা অদুগা মণিপুর কায়দনবগী ৱাফমলা? অনীসি করম্বনা হেন্না মরুওইনা লৌনবগে ভোট ফংনবা হোৎনবদা?

কুমজা ২০১২ দা পাঙথোকখিবা ১০ শুবা এসেমব্লি মীখলদদি চাওখৎ থৌরাংগী থবক কয়া লৌখৎকনি হায়বা ৱাফমদা ভোট খোমখি। অদুগা অতোপ্পা ৱাফম অমনা মণিপুরগী লৈমায়দগী 'অফস্পা' লৌথোক্কনি হায়বসিনি। হোয় মণিপুরগী ঙমখৈ কায়হল্লোই হায়বসিনা মনিংদা লৈখি হায়বদি মমাঙ থাবা, মচং ওইবা ৱাফম ওইখিদে ভোট খোন্বদা। থবক ফংদবা মীওইদা থবক পীগনি হায়বসিসু অচৌবা ৱাফম অমনি মতমদুদা। অদুবু ঙসিদি পুমওন ওন্নরে হায়বা য়াই। হন্দক্কী মীখল অসিদা ওইরিবা মরুওইবা ৱাফমদি মণিপুরগী ঙমখৈ কায়বা য়ারোই হায়বসিনি। মসিগী নুংগী ওইবা ঈচেলদি ফ্রেমৱার্ক এগ্রিমেন্ট হায়বসিনি। অদুগা অতোপ্পা অমনা নেসনল হায়ৱেদা ইকনমিক ব্লোকেদ তৌবগী মতাং অসিনি। অনীসিনা মরুওইবা ৱাফম ওইরে মীয়ামদগী মমল য়াম্লবা ভোট ফংনবগী। অফস্পা লৌথোক্লবগী ৱাফম নাথৈখ্রে ঙসিদি। মীখলগী মরুওইবা ৱাফম ওইদ্রে। ইরোম চনু শর্মিলানা চরা হেনবা তোকখিবদুনরা? চরা হেনবা তোকখ্রবনিনা ৱাথোক অসিগী পাউনিলখোল লৈত্রে হায়না লৌবগীরা? ফেক এনকাউন্টরগী মমিং হন্থরক্লে হায়বগীরা নৎত্রগা কোর্টতা কেস ময়াম অমা লৌখৎলকপগীরা?

মীখলগী মতম নকশিল্লকপগা লোয়ননা ইকনমিক ব্লোকেদ তৌবগী ৱাথোক অমদি ফ্রেমৱার্ক এগ্রিমেন্টকী ৱাথোকসি অসুম অসুম চাউথোরকই। মসিগী অমনা অমদা মরাল থংদোক-থংজিন তৌনরিবসি মরুওইনা কোংগ্রেস পার্টি অমদি বি জে পিনী। ফ্রেমৱার্ক এগ্রিমেন্টকী মনুংদা য়াওরিবা মচাকশিং অদু প্রাইম মিনিষ্টরনা মণিপুরদা বি জে পিগী ভোট খোন্বা লাকপদা শেংদোকউ হায়খি চীফ মিনিষ্টর ইবোবীনা। মসি হায়দোকপা ঙল্লোইদবা/হায়দোক্লিংদবা ৱাফম অমা হায়দোক্লবা থাকপা লাং মখল অমনি। করিগুম্বা হায়দোক্লগনা মীয়াম পুম্নমক খঙনীংবদু খঙবা ঙমগনি। মদুগী হোৎনজমন কোংগ্রেস পার্টিনা ফংগনি মীখলগী মতমসিদা। অদুগা করিগুম্বা হায়দোক্ত্রগনা বি জে পিনা চাউনা মাঙজগনি মরমদি ফ্রেমৱার্ক এগ্রিমেন্ট অদুদা মণিপুরগী অপূনবগী শক্তম কায়বা য়াবা মচাক য়াওবদগী হায়দোকপা ঙমদ্রিবনি হায়না মীয়াম্না খন্নখিগনি। অদুনা বি জে পিদি মণিপুর থুগাইবা পাম্বা পার্টিনি হায়বদু তাখিগদৌরিবনি। করিগুম্বা হায়দোক্ত্রগসু কোংগ্রেস পার্টিদি মাঙজদে করিনা হায়ববু মখোয়দি মরৈবাক কায়দনবা খনবা পার্টিনি হায়বদু উৎলিবনি। কোংগ্রেসনা চপ্লিবসি মনিং-মমাংনি বি জে পিবু। অদুবু বি জে পিসু অরাইবা পার্টি নত্তে। য়াম্না কুপ্না লাল্লোং য়াৎলি। কোংগ্রেসকী লাল্লোং ময়াই চমহনখি। প্রাইম মিনিষ্টর লাক্লিঙৈদা হোম মিনিষ্টর রাজনাথ সিংহ ভোট খোন্বা হান্না লাকখি। মসি অচৌবা লাল্লোং অমনি। ফ্রেমৱার্ক এগ্রিমেন্টতা মণিপুরগী ঙমখৈ কায়নবগী মচাক অমত্তা ইবা ৱাহৈ য়াওদে হায়না শেংদোকখ্রে। মণিপুরগী ঙমখৈ অমদি অপূনবগী শক্তম কায়নবা সেন্ট্রেল গভর্ণমেন্ট অমদি বি জে পিনা কৈদৌঙৈদসু তৌদে অমদি তৌরোই হায়না মীয়াম তিনবা মীটিংদা শেংনা ফোঙদোকখ্রে। হোম মিনিষ্টরনা শেংদোক্লিবসিগী মরম অমা লৈ মরমদি ফ্রেমৱার্ক এগ্রিমেন্ট অসি হোম মিনিষ্ট্রিনা শেম্বনি। অদুনা হোম মিনিষ্টরনা ৱাফমসি শেংদোকপনা হেন্না চুনৈ। প্রাইম মিনিষ্টরনা শেংদোক্ত্রবসু য়ারে হায়বনি মখোয়গীসি করিনা হায়ববু থবক অসিবু হকথেংননা পায়রিবা হোম মিনিষ্টরনা লৈবাক মীয়ামদা শেংদোক্লবনিনা। প্রাইম মিনিষ্টরনা শেংদোপসু পান্নল্লোই করিনা হায়ববু হোম মিনিষ্ট্রি অসি মহাক্কী মখাদা হকথেংননা লৈবসু নত্তে। মদুগীসু মথক্তা য়াম্না লুবা ৱাফম অমা ওইবনিনা প্রাইম মিনিষ্টরমক্না হায়বকসু নাকোয়নবা লম্বী অমরোমদা চৎখিবসু য়াই হায়না লাল্লোং য়াৎপশিংনা লৌরমগনি।

মীখলগী মরাল থংজিন্নবসিদি লোয়বা নায়বা নত্তে। খন্দুনা য়েংবিয়ু হোম মিনিষ্টরমক্লা ঙমখৈ অমদি অপূনবগী শক্তম কায়রোই হায়রবসু অইবা চে ওইনা পীগদবনি হায়দুনা মীখল হয়েং হংচিৎতা ঙায়রবা মতমসিদা কন্না ঈহৌ শাগৎনরক্লিবসিনি। মীখলগী মরুওইবা ৱাফম অমা ওইরবসু ৱাফমসিমদি মতাং অসিদা চৈখৈ চিংখ্রে। অমরোমদা মসিদগী হেনজিল্লবদি মীয়াম্নসু মৱা লৌবিররোই অমদি ৱাফমসিগী মতিক ময়াই চমখিনি। ইকনমিক ব্লোকেদ মতম কক্তনা তৌরিবসিদি কোংগ্রেস গভর্ণমেন্টনা তৌহনবনি। অতৈ পোলিটিকেল পার্টি অমত্তনা তৌহনবা নত্তে। অনৌবা দিষ্ট্রিক্ট তরেৎ মীখল ময়া নকশিল্লবা মতমদা শেম্লুবগীনি। দিষ্ট্রিক্ট তরেৎ অসি শেল্লমদ্রবা ইকনমিক ব্লোকেদ তৌরল্লোই। ব্লোকেদ তৌবশিংবু শৌগৎপা নত্তে। দিষ্ট্রিক্ট তরেৎ শেম্ববু অয়েৎপা/য়ানিংদবা ফোঙদোকপসু নত্তে। তৌবতদি দিষ্ট্রিক্ট শেম্বগী মতাং মফম খরা চাবা ৱাৎপা অদুগীনি। মীখলগী য়াম্না চিনবা চরাংনবা ফীভম অমা লৈরকপা মতমদা ইকনমিক ব্লোকেদ তৌবা অসিনা মীয়াম অমদি গভর্ণমেন্ট অনীমক্তা অসুক্কী মতিক ৱাহল্লি অমদি খুরৌ থাংহল্লি। মীখল মতম য়ৌরক্ত্রিঙৈদা মতম চানা দিষ্ট্রিক্ট শেল্লম্বা য়াই। মতমদুদসু গভর্ণমেন্টকী থৌনা লিংজেল মীয়াম্না থাগৎনগনি অমদি মদুগী মহয় শোয়দনা ফংগনি। লেম্না মাঙগদবা লৈতে। মতমদুদা ব্লোকেদ তৌরক্কদবদু কিদুনা/পাখৎতুনা লৈরুরগা মতম লৈরক্ত্রবা মতমদা অরোইবা পাম্বৈ ওইনা শীজিন্নরকপসিদি খরা ফজবা ৱাৎলি ভোট থাদগদবা মীয়ামদা। মীখল ময়াদা তৌরবনিনা য়ানিংবা মীয়ামসু য়াওই, য়ানিংদবা মীয়ামসু য়াম্না য়াওই। মরম অদুনা য়াম্না চাউনা ফংগদবা মহয়দু খরখক্তমক ফংলগা তোকপসু য়ারি। দিষ্ট্রিক্ট শেম্বা মীয়ামগী লৈঙাকপদা নুংঙাইনবনি হায়বসি য়াম্না চুম্বা ৱাফমনি তৌবতবু মীয়ামগী অদুক য়াম্না কান্নগদবা থবক্তুদি ঙন্তানা/নহান্না তৌরম্লগদবনি। অফবা থবক্তা থিন্থরুবদগী লঙ্কাগী রাবন্না ফংখিবা দষাদু নীংশিংবা য়াই।

দিষ্ট্রিক্ট শেম্বা সেন্তরনা নত্তে। মরম অদুনা ইকনমিক ব্লোকেদ কুইনা তৌহল্লি হায়দুনা সেন্তরদা মরাল থংজিনবা অচুম্বা লম্বী নত্তে। নেসনল হায়ৱেদা সেন্তরনা আর্মি থাজিন্দুনা তকখায়বা য়াবা নত্তে। মদুগী রুলসু লৈবা নত্তে। ষ্টেট মশানা থেংনজগদবনি। ৱাথোক অসি লোয়শিন্নবা হোৎনবদা সেন্তরগী মতেং লৌবা হায়বদুনা অতোপ্পা ৱাফম অমনি। মণিপুর ষ্টেটকী লো এন্দ ওর্দর ঙাক্লবা মেছিনরি লৈনা লৈনা সেন্তরদা ৱাথোক অসি লোইশিন্দে হায়দুনা মরাল শিবা মানবা মওং উৎলুবা অশিংবা থবক নত্তে। মণিপুর গভর্ণমেন্টনা দিষ্ট্রিক্ট লাউথোক্ত্রুবদি ব্লোকেদ তৌরল্লোই। দিষ্ট্রিক্টনা মণিপুর গভর্মেন্টনা লাউথোল্লগা মদুগী খৎন-চৈনবগী ৱাথোক্লা সেন্তরনা থেংনৌ হায়বা ৱাদুদি লাইফাওবা ৱাররক্কদবা মান্দে। সেন্তরসু মীনি অদুগীসু মথক্তা সেন্তরনা তৌগদবা, ষ্টেটকী চীফ মিনিষ্টরনা তৌগদবা থবক হায়বদু ইন্দিয়ান কনষ্টিট্যুসন্দা ইদুনা লৈরি। সেন্তরগা নাগা লালহৌলুপ অমগা ৱারী শান্নরি হায়দুনসু মখোয়বু লোয়নমক হায়রিবমখৈ য়াগদবনি হায়বদুসু অৱাবা থবক অমনি। মখোয়সু হায়রি ব্লোকেদ মতম শাংনা তৌদুনা লৈরবদি শান্তিগী ৱারিদা অকায়বা লাকপা য়াই। মসিসু ৱার্নিং মখল অমনি। মসি হায় হায়দুনসু সেন্তরবু মীচং চঙবগী ৱাফমদি নত্তে। থবক অসি ষ্টেটনা তৌবনি মশাগী ষ্টেট মনুংদা লৈঙাকচবা নুংঙাইনবা। মরম অদুনা মদুগী মখা তারকপদা থোক্লকপা ৱাথোক কয়াগী ৱারোইশিন লাক্লবা লম্বীসু ষ্টেট মশানা হোৎনজবা তাই। শম্না হায়রবদা ষ্টেট গভর্ণমেন্টনা অয়াম্বা থবক পায়খৎচগদবনি।

মীখলগী মরুওইবা ৱাফম কয়া পুখৎতুনা ভোট খোম্নরবসু ঙসি মণিপুরদা আলুগী মমল কয়া পীরি হায়বগী ৱাফম ভোট খোন্বদা য়াওবা উদ্রি। আলুগী মমল, তিলহৌগী মমল, ফাবৌঙাগী মমল, ঙারিগী মমল হোংথহনগনি হায়বা করম্বা পোলিটিকেল পার্টি য়াওরিবগে? খ্বাইদগী মরুওইবদি চানবা চিঞ্জাক্কী মমল হোংথহনবা অদুসু অমুক লমদম অসিদগী পুথোকপা হায়বসিনা খ্বাইদগী মরুওইবা ৱাফমনি। লম্বী কোয়লাস থাবসু, ইন্টরনেটকী ৱায়-ফাই ফংহল্লবসু, আলুগী মমলনা শাথিনা ৱাংলবদি মদুগী কান্নবা করিনো? হীরম অসোমদা পার্টি পুম্নমক্লা মীখলগী মরুওইবা ৱাফম ওইবা চুমগনি। গভর্ণমেন্ট পায়রকপা পার্টি অদুনসু থবক অসি মীয়ামগীদমক শোয়দনা তৌগদবনি। মদু নত্রিবমখৈ মণিপুরদা ৱাথোক-লান্থোক মরাং কায়না থোক্তুনা লৈখিগনি।

# তান কায়না চোঙবা থাবল তারক্লোইদ্রা?



**মতম মতমগী ৱাফম**

**সেঞ্জম দেবেন**

*মীতৈ* নিঙোল নুংশিবী, শক্তা-চুদা হেল্লবী, মমা-মপা ওইবশিংগী মিৎকী লন ওইরিবীশিং, হায়বা ইনবী কয়ামরুম্না হৌজিক্কী মতমদা, মফম-মতম নাইদনা চোঙনীংই হায়দুনা থাবলবু পংচোঙ-চোঙবগী থৌদৌসি তুংদা অকায়বা য়াম্না ওইরক্কনি। থৌদৌসি মবুং-মৌপ্বা, মমা-মপা ওইরিবশিং ঐখোয়না ঙল্লিঙৈদা খজিক্তং য়েংশিনহৌবসু চুমগনি। মীতৈ চনুশিংনা হৌজিক্কী মতমদা মনীং মখা তম্বগী চাং খজিক খরাক হেঙ্গৎলকপগুম উনরিবসি, মতমসিগী খোঙচৎ মতুংইন্নদি ওইরমগনি। অদুম ওইনমক, মখোয়গী খোঙচৎনা অমদি মখোয়গী ইহুলশিংনা লমদমসিগী মবুং-মৌপ্বা অমসুং মমা-মপা ওইরিবশিংগী মিৎয়েংগী ৱাংমা লান্না চৎখিবদি চুল্লক্লোই। মদুনা খুন্নাইসিগী অফবা মাইওনসু খক পুরক্লোই। মহৌশানা, লমদমসিগী চনু-নিঙোলশিংনা য়াওশঙ মতম নত্তবদা থাবল চোঙবগী থবকশিং ফরক কায়না খক চথুনরমদে। চৎনবী অমা ওইনা মণিপুরদা ঙসি অসিগুম্বা থৌদৌশিং হেক হেক হৌদোক্লক্লিবসি অচুম্বা খোঙথাং ওইরক্লোই। মহৌশাদগী মীতৈশিংনা কুম্ধৈসি মীতৈশিংগী কলচরগা য়াম্না নকশিন্ননা চৎলকপনা, হৌজিক্কী মতমদা থাবল চোঙববু মফম-মতম নাইদনা পংপাঙ পাঙথোক্লহনবা লানগনি।

থাবল চোঙবগী থৌদৌবু লমদমসিগী ইনখলিক্লিবী লৈশাবী মচাশিংনা মখোয়গী অপাম্বা মওং খক্তদা চথুরকপা অমসুং মফম মতম নাইদনা পাঙথোল্লকপা হায়বসি তশেংনমক মীতৈশিংগী থাক ৱাংলবা কলচর অসিবু লৈমায়দা চিংথনবা হোৎনরকপগা চপ মান্নগনি। অসুম্না কুম্ধৈ অসি তোয়না অমদি পাঙথোক্লিংবা মতমদা হেক্তা পাঙথোকপা য়াবা কলচর অমা ওইনা উহনখিবা তারবদি মীতৈশিংগী থাবল চোঙবা কুম্ধৈ (কলচর) অসিবু অউবশিংনা শোয়দনা মমল য়াওদনা লৌনরক্কনি। থাবল চোঙববু ইচম চম্না মীতৈ ফুরুপকী লৈশাবী মচাশিংনা ঙাইহাক ঙাইহাক্কী ওইনা পংপাঙ পাঙথোকপা য়াবা, ভেল্যু লৈতবা কুম্ধৈ অমগুম্না উহন্নবা ঐখোয় ইশানা খক শীঞ্জরোইদবনি। কুম্ধৈ অসি, কুম্ধৈ নৎত্রগা কলচর অসিগী নুংগী ওইবা ৱাহন্থোকশিংগা শাগোন্ননা মতম চুপ্পগী ওইনা চৎনহন্নবা ঐখোয় খুদিংমক্লা হোৎনমিন্নফম থোকই। ফুরুপ অসিগী হৌরকফম ওইরিবা ৱারীদা য়ূম্ফম ওইবা, মীতৈশিংগী অপোকপা লাইনীংথৌ সনামহী অমদি ইবুধৌ পাখঙবা অনীগী খুন্থোক্লোনগা শাগোন্নরক্লুবা কুম্ধৈ অসিবু অউবশিংদা করম্না, তরাই-তরাইনমক লৌহনগদৌরিবনো? থৌদৌসিনা ফুরুপ অসিগী থাকপু নেমথহল্লকপা নৎত্রগা চিংথরকপা নত্তনা অতৈ খক ওইরক্লোই। মীতৈ অমা ওইনদি ৱারীসিদং ফাওবদি খঙফম থোকপা নৎত্রা? মীতৈশিংনা মতাং মতম চারিঙৈদা ইশাগী খুন্নাইরোল, শেনমিৎলোন অমদি খুন্থোক্লোন্নচিংবা কয়াগী মমল য়াম্লবা মচাকশিংবু হঞ্জিন্না অমদি মুন্না খন্থহৌবগী হৈনবীশিং লৈহৌদবনা কয়া অমা অরেম্বদা কাঞ্চ-থাঙ ওনহন্দুনা মাঙহনখ্রে। কয়া অমসু ঙসি নীংশিংলকপা মিৎকুপশিংদা কনবা ঙমহৌরোইদবগী ফীভমশিংদা লৈরক্লি। থৌদৌশিংসিগা মরী লৈননা হীরমসিদা ফুরুপ অসিগী ফুরুপচাশিংনা ৱাখল থাদহৌবগী মতম থেংমল্লে।

মতম নত্তনা থাবল চোঙবগী থৌদৌসিদা মতমসিগী হৌগৎলক্লিবী লৈশাবী মচাশিংবু হকথেংননা চেন্নরবসু মখোয়না হীরমসিদা কদাই ফাওবা য়ৌনদি খঙজীল্লমগনি? খঙলম্বা তারবসু খরা খক্তনি। মশীং খক য়াম্লল্লোই। থৌদৌসিগী মতাংদা মখোয়দা ঙাক্তা তাইশিনবীবা লানগনি। ইরমদমসি হীরম খুদিংমক্তা ময়াঙ-মরূ পান্দ্রবা খুন্নাই অমগুম, থৌদৌ খুদিংমক্তা অৱাৎ অহোশিংতনা পীক থল্লি। ঙসি ফাওবদা ইরমদমগী মীয়ামসিনা হীয়াংথাং লাইরেম্বী ইমাবু দুর্গা পুজাগী বর নুমিত্তা খুরুম্নবনা, হীয়াঙথাং লাইরেম্বী ইমাগী লাইশক-লাইচু তাক্লবদা অসুক্কী মতিক ৱানা অমসুং শেরান্ননা চথনরি। হীয়াঙথাং লাইরেম্বী ইমাবু কনাগুম্বা খরনা আসামগী কমখ্যা লাইরেম্বীগী শক্তমগুম শক্তাক্লবীবসু য়াওরি। বেঙ্গলগী খ্বাইদগী চাওবা ফেষ্টিভেল ওইরিবা দুর্গা পুজামক্তা ইৱাৎনরিবা দুর্গা লাইরেম্বীমক্না অশেংবগী ওইনা, মীতৈ লৈবাক্কী হীয়াঙথাং লাইরেম্বী ইমাবু খুরুমজবমক ওইরন্নবদি, হীয়াঙথাং লাইরেম্বী ইমানা লাইরেম্বী দুর্গাগী মথক্তা লাইরেম্বীশিংগী লাইরেম্বী ওইনা লৈফম থোকত্রিবরা? লমদমসিগী শাংলবা পুৱারীগী লামায়শিংদা চনৈনবা, মুক হাজীনবা লামায় কয়ামুক য়াওখিবনা ঙসিদি, লমদমসিগী ৱাংফম থোকপা কলচরগী থৌ কয়ামরুম পাঙথোকপদসু নৈননীংঙাইগী নৈননীংঙাই ওইবা মচাক ঙাক্তা ওইরক্লি। ৱাফমসি খুদম অমখক ওইনা লৌখৎচবনি। মথক্তসু পঞ্জখ্রিবদুনি, থৌদৌসি হীরম খুদিংমক্তনি। মীতৈশিংগী ৱারী খুদিংমক্তা ইতৈ তৈ হায়নরিবসি চুল্লমগনি। ৱাহন্থোক্তু অচুম্বা ওইরকত্রিবরা? অসুম্না তৈশিনবা য়াবমখৈ তৈশিল্লবা মীতৈগী থৌদৌশিংগী মরক্তসু অমুক নৌহৌনা, হান্না ময়েক শেংনা লৈজরম্বা থাবল চোঙবগুম্বা কুম্ধৈ (কলচর) নৎত্রগা লাইনীং-লাইশোনগা মরী লৈনবা অতৈ হীরমশিং কয়ামুক্তসু হঞ্জিন-হঞ্জিন তৈশিনবগী থৌদৌসি অমুক মখা তাহন্দনবা শিনমিন্নসি।

য়াওশঙগী থাবলনা মচু শংখ্রবা থম্মোয়গী লামায়শিং, কাউবা ঙমদ্রবী ইরমদমগী চনু নিঙোলশিংনা লমদমসিগী পুৱারীগী লামায় মচি অমদা অনৌবা মচু অমুক নৌহৌনা শঙলক্লবা হোৎনবা, ইরমদমগী চনু নিঙোলশিংগী মরাল ঙাক নত্তে, মথক্তসু পঞ্জখ্রে। হৌজিক ঐখোয় কৈদৌসিগে, হীরম খরদি মথক্তা নৈনখ্রে। হৌজিক মথৌ তারিবসি, লমদমসিদা লৈমিন্নরিবা ফুরুপসিগী ফুরুপচাশিংগী মরক্তা, অমগা-অমগা পাউ ফাওনবা ৱাৎপা অমদি অহল-লমনশিংনা মচা-মশু ওইবশিংবু ৱারক-ৱাতেম তৌবীবগী থৌদাংশিং হন্থরকপগী ৱাফম অমা পন্নিংঙাই ওই। ইরমদমসিগী হৌজিক ওইরিবা মীয়ামসিগী অপূনবা ৱাখল্লোনসি চাউরবা অমেরিকাগী ন্যুয়োর্ক সিটিদা চৎনরিগুম, লমদমসিদসু অমনা অমগী মরমদা খক য়েংনরুদবা, য়াউরুদবা অমদি ঙাঙলুদবগী চৎনবী অমসু লৈরক্লি। মশা-মশানা পামজবা হীরমশিংদা মনীং-মখা তম্না চৎনবা হায়বা ৱাখল্লোনসিদা অয়াম্বা লৈনরকপগুম তৌরি। কুম্ধৈ ওইনদা য়েংলগা নুংঙাইনবগী চৎনবীদু পীক্লবা অমসুং চাওখৎপগী থাক য়ৌদ্রিবা লমদমসিদসু চপ চানা মমিশিং তারক্লি। নহানা তৌবদা অহলনা হায়ফেৎ য়েংলম্বদগী হেন্না ৱা ঙাঙনীংলক্তবগী থৌদৌশিং অমদি অহলশিংনা তৌবদসু নহাশিংনা, মখোয়না তৌনীংবদা তৌজসনু, ঐখোয়গী ইথৌ লৈতে খন্দোক্তুনা কো-ওপরেসন পীনদবা অমদি অমগা-অমগা ঙাঙন-শক্লদবগী চাং য়াম্না ৱাংখৎলক্লি। থৌদৌসিদনি পূম্নমক্লা শোয়মীন্নরক্লিবসি। মরুওইনা মতমসিদা, চাওখৎলকপগী মতুংইন্না, কম্প্যুটর-মোবাইলনচিংবা শীজিন্নদুনা ইন্টরনেটনচিংবগী নোলেজশিং মতিক চানা লৈরবা নহাশিংগী ৱাখল্লোনশিংগা, মতম খরগী মমাঙগী মী ওইদুনা, ইন্টরনেট-কম্প্যুটরনচিংবদি লায়রদুনা টি ভি ফাওবা নীংথিনা থাবা হৈত্রিবা অহল-লমনশিংগী ৱাখল্লোনশিংগা, ৱাখল্লোন অনীগী মরক্তা গেপ কয়ামুক লাকই। অদুবু, কম্প্যুটর, ইন্টর্নেটকী মতেংনা চাওখৎপগী নোলেজ ফনা য়াম্না লৈরবসু অয়াম্বা মতমদা, মতমসিগী নহাশিংনা অহলশিংগী ৱা তাবা খক হৈনদবগী ৱাখল্লোন অমমদি মশা-মশাদা চেনবগুম উরি। থৌদৌসি থাদোক্লবা হৌজিক্কী নহারোলশিংনা মতম লৈবা খিবিক্তা হোৎনহন্নীংই। অহল ওইবশিংগী ৱা তাদবগী মাঙজবা অমসুং খুদোংথিবা কয়ামুক নংবসু মতমসিগী নহাশিংনা তত্তনা থেংনরি।

অরোইবদা, লমদমসিগী ফুরুপচাশিং খুদিংমক্লা ফনা ওইদুনসু, হান্না মতম কয়াগী মমাঙদগী লৈরল্লবা অমসুং চৎনরল্লবা লমদমসিগী পুৱারীগা শাগোন্নরল্লবা থবক-থৌরম কয়ামুক্তা অখঙ-অহৈশিং তান্নদনা শেমদোক-শাদোকপগী থৌদৌশিং য়ারিবমখৈ তৌবিরোইদবনি। মরমদি, অখঙ-অহৈ কয়ামুক্কী কোক য়াওদনা ইরন্নাই মিৎয়েং খক্তদা পংতৌ তৌরুবা থৌদৌশিংনা তুংদা খুন্নাইসিগী অপূনবা মিৎয়েংশিংদা অকায়বা কয়ামুক লাকপসু য়াই। হালেংবা লৈতনা মীতৌ তম্বনা লমদমসিগী হৈনবী ওইবনিনা, লমদমসিদা নৌনা হৌদোক্লুবা অমত্তং, চুমগে চুম্মু, চুম্মোই তোকউ, মীতৌ তমদুনা তুং ইল্লক্তনীংঙাইগী ৱাফমদি খক লৈরোই। মথক্তা পঞ্জখ্রিবা হীরম কয়ামুকসিদা হকথেংননা, হৌজিক-হৌজিকমক্কী ওইনা ইরমদমসিগী নুংশিরবী ইচন-ইচাশিংগী মফমদা হায়নীংলিবা ৱাফমদি, - লমদমসিগী নৌজরিবী নুপীমচাশিংনা মখা তানা অমুক হন্না, লৈবাক্কী ঈরাংনা করিনো, লমদমসিদা মহৈ-মশীন তমজরিবা মহৈরোয়শিংগী তাঞ্জাশিংনা কমদৌবনো হায়বদু ইয়েং-হেক য়েংদনা, চোঙনীংলিবনি হায়দুনা, মফম-মতম নাইদনা থাবলদা পংচোঙদা চোঙনীংবগী থৌদৌসি 'তান কায়না চোঙবা থাবল তারক্লোইদ্রা' হায়বসিনি।